**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অহানবা ওইনা জিরিবাম য়াওনা চীংগী জিলাশিংদা অনা লায়েংগী লমদা অহেনবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা দোনর মন্ত্রালয়না লুপা কোতি ১০৪ হেনবগী শেনফম কাইথোরক্লে।

২) আলু অমসুং তিলহৌ য়াওনা অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা দাবা ৮ য়াওবা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী রেলগাড়ি অমা ঙসি নোনে জিলাগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংখ্রে।

৩) ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী নুং দলানদা ঙসি অয়ুক অমুক হন্না চীং নিংখাইরকপদগী লম্বী ফাওনখিদ্রে।

৪) তমেংলোং জিলাবু হেন্না মশক তাক্লিবা অমুর ফালকোনবু মীয়ামা হাৎপা অমদি ফাবগী থবক তৌবীদনবা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী আর্টিষ্ট ৮২ দা উস্তব বিসমিলা খান য়ুবা পুরুস্কার মনাশিং হয়েং নিউ দিল্লিদা য়েন্থোক্লগনি।

------

সিএম (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অহানবা ওইনা জিরিবাম য়াওনা চীংগী জিলাশিংদা অনা লায়েংগী লমদা অহেনবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা

দোনর মন্ত্রালয়না লুপা কোতি ১০৪ লাখ ৬৬ হেনবগী শেনফম কাইথোরক্লে।

সোসিয়েসন মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অহানবা ওইনা জিরিবাম অমদি চীংগী জিলাশিং- চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি অমদি তমেংলোংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা অনা লায়েংগী অহেনবা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎলগনি। জিলাশিং অসিদা হৌজিক লৈরিবা লায়েংশঙশিংদা সি.টি স্কেন, এম.আর.আই, আই.সি.য়ুগী খুদোংচাবশিং থল্লগনি অমসুং মীয়ামগীদমক সুপর স্পেসিয়েলিতি অমদি স্পেসিয়েলিতি হেলথ কেয়ারশিং ফংহল্লগনি। মহাকা হায়- হৌজিক চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজ অসি মপুং ফানা মথৌ পাঙথোক্তুনা জিলা অসিদা চাউনা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা কয়া পীদুনা লম অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। হন্দক গৃহ মন্ত্রালয়না পি.এম. দিভাইনগী মখাদা লুপা কোতি ১০৪ লাখ ৬৬ কাইথোরক্লিবা অসিগী মখাদা রাজ্য অসিগী মনুং হঞ্জিনবা অমদি চীংগী জিলাশিংদা সুপর স্পেসিয়েলিতি অমদি স্পেসিয়েলিতি হেলথ কেয়ার থমবা থৌরাংশিং পায়খৎলগনি। মসিগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমদি অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায়শিং হাপচিল্লগনি।

মন্ত্রালয়না কাইথোরক্লিবা লুপা কোতি ১০৪ লাখ ৬৬ হেনবগী মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী লুপা কোতি ১ লাখ ৫৫, উখ্রুলগী ওইনা লুপা কোতি ৯ লাখ ৪১, এস.দি.ঐচ. জিরিবামগী ওইনা লুপা কোতি ৬ লাখ ১৬, সেনাপতিগী ওইনা লুপা কোতি ১২ লাখ ১৫, তমেংলোংগী ওইনা লুপা কোতি ১১ লাখ ৯৫ হেনবগী শেনফম য়াওরি। মসিগী মনুংদা অনৌবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈননবা লুপা কোতি ৫৬ য়াওরি। কেন্দ্র সরকারনা পি.এম. দিভাইনগী মখাদা পীথরক্লিবা শেন্থং অসি মরুওইনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফংহন্নবগী খোঙথাং অমনি। মসিগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা অমসুং দোনর মন্ত্রি জে.এম. সিন্দিয়াবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

রেল (এল)ঃ চান-থকবা পোৎলমশিং মপুং ওইনা আলু অমসুং তিলহৌ পুবা দাবা ৮ য়াওবা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী রেলগাড়ি অমা ঙসি অয়ুক জিরিবাম ফাওদুনা লাক্লগা নোনে জিলাগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-পাউগুইলুং কামৈনা হায়-রেলগাড়ি অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭ মিনিট ৫ দা খোঙশাং ষ্টেসনদা থুংলখি। চিং নিংখায়বা অমসুং লৈবাক নমথখিবদগী হায়রিবা রেল লম্বী অসিদা আগষ্ট থাদগী রেলগাড়ি চেনবা লেপ্তুনা লৈরকপনি। ঙসি পুরকখিবা চান্ন-থকবা পোৎলমশিং অদু ইম্ফালদা পুখিনবা ত্রকশিংদা হাপকৎপা হৌখ্রে।

অমরোমদা, ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-ঙসি অয়ুক অঙনবদা জিরিবাম ফাওরগা খোঙশাং তান্না চৎখিবা রেলগাড়ি অদু পোৎ-চৈ লৌথনবগীদমক খোঙশাংদা থল্লল্লগা গাড়ি অদুগী ইঞ্জিনিগী শরুক খক্তমক হৌজিক জিরিবামদা হল্লকখ্রে।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী কে. সিনাম অমদি সৈজাং খুল অনিগী মরক্তা লৈবা নুং দলানদা ঙসি অয়ুক অমুক হন্না চীং নিংখাইরকপদগী লম্বী ফাওনখিদ্রে।

চীং নীংখায়বা অসিনা মরম ওধুনা ইম্ফাল তমা লাকপা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি কয়া নোনে পুলিস চ্যেক পোষ্টতা পন্দুনা লৈরি। অদুমওইনমক, লাইট ভেহিকলশিংদি তুপুল-বিষ্ণুপুর লম্বীদা থৈদুনা চৎহনখি। অয়ুক অঙনবদা অহাংবা ত্রক ১০৭গী মফমদু লান্থোক্তুনা জিরিবাম পাঙখ্রে। অদুবু নৌনা নুং কিন্থরকপদগী লম্বী থিংখিবনা ঙরাং জিরিবামদগী থোরকখিবা পোৎচৈ পুবা ত্রকশিং চৎপা হৌরুরগা অমুক হঞ্জিন্দুনা নোনেদা পন্দুনা লৈরি। ঙসিগী ওইনদি মফমদুগী শিন্মীশিংনা শিন্থা লেপ্লদগী লম্বী শেংদোকপগী থবক অমত্তা চখুদ্রে হায়রি।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণপুর অমসুং ককচিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা

জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

জজ (এল) ঃ মদ্রাজ হাই কোর্টকী সেনিয়র জজ, জষ্টিস দি. কৃষ্ণকুমার হয়েং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোক্কনি। মহাকা ঙসি থবক্তুগী পোত্থাখ্রবা চীফ জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুলগী মহুৎ শিল্লগনি।

অমরোমদা, হাই কোর্ট বার এসোসিয়েসন ওফ মণিপুর অমসুং ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুলগী ফিয়ারৱেল পীবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুল অমদি মহাক্কী লোয়নবী মাধুরি মাহ পনৱার ম্রিদুলনা শরুক য়াখি।

অৱাংবৌ (এল)ঃ ৯ শুবা অমুর ফালকোন ফেষ্টিভেল ২০২৪ ঙসি তমেংলোংগী এপোলো লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোং, রেন ফোরেষ্ট ক্লব তমেংলোং অমসুং ৱাইল্ড লাইফ ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমননা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাং নিউমাই, তমেংলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ- জাংহেমলুং পানমৈ অমসুং ফুংয়ার কেন্দ্রগী এম.এল.এ লৈসিও কৈসিনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নাৎকী জগোই ঈশৈ উৎখিবগা লোয়ননা অমুর ফালকোনগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লমদা চাংদমবদা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদসু মনা মথুম য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়- সরকারনা ঐখোয়গীদমক করি তৌবীরক্কনি হায়বগী মহুৎতা খুনাই অসিগীদমক ঐখোয়না করি তৌবা য়াই হায়বা ৱাখল্লোনদা থবক তৌশি। মহাকা হায়- লমকোই উচেক মখল অমা ওইরিবা অমুর ফালকোননা মরম ওইরগা তমেংলোং জিলা অসি

মীয়ামা মশক খঙবা হেনগৎলক্নি। মরম অদুনা তমেংলোংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা লমকোই উচেক অসিবু ফাবা, হাৎপগী থবক তোক্লশি। মসিগী মহুৎতা উচেক অসিবু ঙাক শেনবীদুনা উমং ৱামং য়োকখৎনবা হোৎনশি হায়না মন্ত্রিনা আপীল তৌখি।

তমেংলোং কেন্দ্র এম.এল.এ- জাংহেমলুন পানমৈনা হায়- সংবিধান্না ঐখোয়দা হক অমদি থৌদাং কয়া পীরি। থৌদাংশিং অসি ঐখোয়না পাঙথোক্তুনা লমদম অসিদা ফংলিবা তাংলবা মখলগী শা-উচেক অমদি উ-ৱা কয়া অসি ঙাক শেনদুনা য়োকখৎশি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনসু সরকারনা জিলা অসিদা ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি শেমগৎনবা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা জিলা অসিদা লৈরিবা খুলশিং অমদি ষ্টেগ হোল্ডরশিংবু ৱাখল তাহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি।

মহেশ (এল)ঃ কুকি মিলিটেন্টশিংনা জিরিবামদগী অঙাং অহুম অমদি নুপী অহুম ফারবা মতুং তমথিনা হাৎখিবা থৌওং অদু য়েংশিনবীনবা নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এন.সি.দব্লিউ) অমদি নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন.সি.পি.সি.আর)দা আর.পি.আই (অথৱালে)গী নেসনেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাউজমনা আইবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে।

নিউ দিল্লিগী জনপথতা লৈবা এন.সি.পি.সি.আরগী হেদ মেম্বর ডাঃ দিবিয়া গুপ্তদা অইবা চেরোল পীশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা মহেশ্বর থৌনাউজমনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা হন্দক জিরিবামদা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবা অসিদা কম্মিসন্না অথুবদা মীৎয়েং চংবীদুনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা অইবা চেরোলশিং পীশিনবনি। মহাকা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা চংই।

খোঙচৎ (এল) ঃ জিরিবামগী জাকুরাধোরদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ তমথিনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা ঙসি থৌবাল জিলাদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। ওল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, এম.এস.এফ অমসুং খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরাপায়বী লূপনা পুন্না শিনখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুনা নুপী অঙাং হাৎপা য়ানিংদে, নুপী অঙাং হাৎপা তেরোরিষ্টকী থবকি, কুকি খুৎলায় পায়বশিং তেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোক্কদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। খোঙচৎ অদু থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজ গেটতগী হৌখি।

জিরি (এল) ঃ জিরিবামগী মীহাৎ অদুবু জিরি অপুনবা লুপসু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা অকনবা থবক লৌখৎনবা লুপ অসিনা দাবী তৌরি। জিরি অপুনবা লুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- কুকি মিলিটেন্টশিং মীচম হাৎপগী থৌওং অসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে। হৌখিবা নবেম্বর ১১ দা জাকুরাধোর মৈতৈ খুলদা য়ুম মৈ থাদুনা মীহাৎ মীপুন চথখিবা অদুদা চেন্নবা মিলিটেন্টশিং ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারনি হায়রিবা ৱাফম অসি অরানবনি। চেরোল অসিনা হায়- থৌদোক অদুদা লৈখিদবশিংগী ইমুং মনুংদা অথুবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়নস্ দাবী তৌরি।

ফোক্স (এল) ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী গৃহ মন্ত্রি অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা পি. চিদম্বরমনা মহাক্কী সোসিয়েল মিদিয়াদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু লাইবক থিবনি হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা ফোংদোরক্লি।

ফিল্ম (এল)ঃ গৱাদা চথরিবা ৫৫ শুবা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া (ইফি) দা মনিপুরগী শকাইরবা ফিল্ম মেকর অহুম জ়রি ওইনা শরুক য়ারি।

বোরুন থোকচোমনা ইন্টরনেসনেল সিনেমা সেলেক্সন কমিতিদা মেম্বর ওইরি। রোনেল হাওবমনা নোন ফ্যুচর ফিল্ম ইন্দিয়ান পেনোরামাগী জ্রি ওইনা শরুক য়ারি। ওইনাম গৌতমনা ইন্দিয়ান পেনোরামাগী ফ্যুচর ফিল্মগী জ্রি ওইরি।

ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসিদা নেসনেল ফিল্ম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসননা নোমিনেট তৌবা মনিপুরগী মহৈরোই ৮ অমসুং রাজ্য সরকারনা থাবা দিলিগেট মরিসু শরুক য়ারি। ফেষ্টিবেল অসিদা বেষ্ট দেব্যু দাইরেক্তর ওফ ইন্দিয়ান কেটেগোরিগী ফ্যুচর ফিল্মগী কম্পিটিসনদা মনিপুরগী লক্সমি প্রিয়া দেবীগী ফিল্ম 'বুঙ' য়াওরি।

নোং (এল) ঃ মণিপুর তম্পাক্কী মফমশিংদা ঙরাং পাকশন্না নোং চুখিবা অমসুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা চুখিবা নোংনা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাদা লৌ খাওবা অমদি য়ৈবগী থবক্তা চাওনা অকাইবা থোক্লে। খাওদোক্লগা থন্বা ফৌবৈশিং চোৎখিবা অমসুং লোক্কদৌরবা লৌ চোৎখিবনা নুমিৎ নিনি হুমিদি খাওবা অমসুং য়ৈবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে। অদুম ওইনমক ককচিং জিলাদদি নোং অদুনা থোইনা অকাইবা পীদে হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়- মণিপুর, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা হয়েং ফাওবা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুগনি। লৈবাক্কী অতৈ মফম খরদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি-হুমি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

এৱার্দ ঃ কেন্দ্রগী কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা ইং ২০২২ অমসুং ২০২৩ গী উস্তব বিসমিলা খান য়ুবা পুরুস্কার মনাশিং হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোক্লগনি।

লৈবাক অসিগী নহা আর্টিষ্ট ৮২ দা মনা অসি খুৎশিন্নগনি। সঙ্গিৎ নাটক একাদমিনা মনা অসি ভারত রতা উস্তব বিসমিলা খানগী মীংদা ইং ২০০৬ তগী হৌনা চহি ৪০ মনুংদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংদা পীদুনা লাকপনি। ঈশৈ,

জগোই, ড্রামা, ফোল্ক অমসুং ত্রাইবেল আর্ট ফোর্ম য়াওনা অতৈ পার্ফোমিং আর্টশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা মনা অসি পীবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, প্লেগ অমসুং সোল অমা য়াওরি।

মুরমুঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উতকল কেসরি ডা: হরেক্রুসনা মহাতাবগী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন পালন হৌদোকখ্রে।।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- হরেক্রুসনা মহাতাব অসি লৈবাক অসিগী ফিদমনিঙাই ওইবা লুচিংবা অমনি। মহাকা হায়- ডাঃ মহাতাব অসি নীংতম লান্মী ওইনা, রাজনিতিগী লুচিংবা অমা ওইনা, হিষ্টোরিয়ান, অইবা, সোসিএল রিফোর্মর অমসুং জর্নেলিষ্ট ওইনা থোইদোকা খঙনৈ। মহাকা উরিষাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈ মতমদা রাজ্য অদুদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলম্মি। মহাকা মহানদিদা মল্টিপরপজ ডাম প্রোজেক্ট শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি।

থৌরম অদুদা ডা: মহতাবপু ইকায় খুমদুনা অখন্নবা পোষ্টেল ষ্টাম্প অমা অমসুং শেল ময়েক অমা পুথোকখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং য়ু.এস. সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স লোর্দ ওষ্টিন অনিনা ভারত অমসুং আমেরিকানা ঙাকশেলগী লমদা ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌনবা, অমনা অমদা মতেং পাংনবা অমসুং উদ্যোগকী লমদা খুমাং চাওশিনবা য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা খুমাং চাওশিনবশিং অসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

লুচিংবা অনিনা লাওসকী ভিয়েনটেনদা পাঙথোকপা ১১ শুবা আসিয়ান দিফেন্স মিনিস্তরস মিতিং (এ.দি.এম.এম) প্লজ ঙসি উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- ভারত অমসুং আমেরিকানগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিয়েল কোর্পোরেসন রোদ মেপকী মখাদা ঙাকশেলগী ওইবা খুৎলায়শিং শানবা হোৎনবদা অমনা অমগী তেংবাং পীনরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা ঙসি গয়ানাগী খ্বাইদগী ৱাংবা নেসনেল এৱার্দ 'দ ওর্দর ওফ এক্সেলেন্স পীদুনা ইকাই খুমখ্রে। লূচিংবা অমা ওইনা মহাকা পায়খৎপা থবকশিং অমদি চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী হক মালেমগী থাক্তা পুথোকপা অমসুং মালেমগী মীয়ামগীদমক মহাকা তৌবা থবকশিংবু শকখঙবা ওইনা মনা অসি পীবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি (এল) ঃ ৱিমেন্স হোক্কি এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ ত্রোফি ২০২৪ দা সনাগী তকমান লৌরকখিবা মণিপুরগী হোক্কি শান্নরোই বিচু দেবী খরিবমনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবদা মণিপুর হোক্কিগী ওফিসিয়েলশিং অমদি মীয়ামা তরামা ওকখ্রে। ভারতকী নুপীগী হোক্কি টিমদা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়নসিপ অদুদা চাইনাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইরকখিবনি। ভারতীকী নুপীগী হোক্কি টিম অদুদা পুখ্রম্বম শুশিলাসু শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৬ দগী মথং থাগী ৪ ফাওবা ওমানগী কোনুংদা পাঙথোক্কদবা মেন্স জ্নিয়র এসিয়া কপতা শরুক য়ানবগীদমক মীওই ২০ মেন্স জ্নিয়র হোক্কি স্কৱাদ লাউথোকপদা পোষ্টেরিয়র হোক্কি একাদমি মণিপুরদগী হৌখিবা তালেম প্রিয়োবর্তা অমসুং হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিয়েংবম লৈকাইগী থোকচোম কিংসন অনিবু খল্লকপদা পোষ্টেরিয়র হোক্কি একাদমিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ফেন্সিং (এল) ঃ লাক্লিবা দিসেম্বর ৩১ দগী জনুৱারি ৩ ফাওবা কেরলাগী কনুরদা পাঙথোক্কদবা ৩৫ শুবা সেনিয়র নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ দা শরুক য়ানবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্লগনি। তাকয়েলদা লৈবা সাই, এন.ই.আর.সিগী ফেন্সিং হোলদা পাঙথোক্কদবা ত্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা অয়ুক পুং ৮ দা ফুল প্লেয়িং কিটসকা লোয়ননা লাকবা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

ক্বানকি দো (এল) ঃ    মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর পাব্লিক স্কুলদা জনুৱারি ৩ দগী ৫ ফাওবা চত্থগদবা ৬ শুবা নেসনেল ক্বান কি দো চেম্পিয়নসিপকীদমক মণিপুর টিম শেমবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৪ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শঙাইপ্রৌ মমাং লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভু মনি মন্দিরদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা কোংবা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা ক্বান কি দো এসোসিয়েসন মণিপুরদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ওল ইন্দিয়া মিক্স মার্সিয়েল আর্টস ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা মুম্বাইগী বোম্বে একজিবিসন সেন্তরদা দিসেম্বর ২০ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওপন নেসনেল মিক্স মার্সিয়েল আর্টস চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মশাগী ফিটনেস সার্তিফিকেট, আধার কার্দ অমসুং ফোটো অমদি তুরনামেন্ট য়াওরুবগী সার্তিফিকেটশিংগা লোয়ননা খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা মণিপুর মিক্স মার্সিয়েল আর্টস এসোসিয়েসনদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

ক্রিকেট ঃ  ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া শান্নগদবা বোর্দর-গভাস্কর ত্রোফি ক্রিকেট হয়েংদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী পর্থতা হৌরগনি। হয়েংদগী হৌরগা জনুৱারি ৭ ফাওবদা লৈবাক অনিনা টেষ্ট মেটচ মঙা শান্নগনি।

------